# টোকিওদা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমসকী মশান্না ৩৩

- লৈশাংথেম অজিৎ -

কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪, ইরাই নুমিত্তগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা টোকিওদা ৩২শুবা কালেন থাগী ওলিম্পিক গেমস (সম্মর ওলিম্পিক গেমস) অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক লৈবাক অসিনা সহর অসিদা চহী ৫৬কী মমাঙ কুমজা ১৯৬৪দা পাঙথোকখবা ওলিম্পিক গেমস অদুদগী থোইদোক হেন্দোক্লা হৌজিক্কী মতমগা চান্ননা অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি খক্তা শীজিন্নবা নত্তনা অতোপ্পা হীরম কয়ামুক্তা লৈবাক অসিগী লৈঙাক অমদি মীয়াম্ন জপান অসি হীরম খুদিংমক্তা অতোপ্পা ফুরুপশিংদগী খুমাঙ চাওশিল্লি হায়বা উৎপা ঙম্নবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনরি হায়বা মালেমগী লৈবাক মীয়াম্না খঙনরি।

লৈবাক অসিগী সহর হিরোসিমা অমসুং নাগাশকিদা কুমজা ১৯৪৫দা অমেরিকানা এটোম বোম থাদখিদুনা মীওই কয়ামুক হাৎখিবদা নত্তনা অতোপ্পা মীওই কয়া মরুমদা অশোক অপন নংহনখিবা, মখা তারকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা অকিবগী মশক ওইরবা লায়না কয়ামরুম নাখবা, শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবা, লৈবাক অদুগী শরুক অয়াম্বা ন্যুক্লিয়রগী ফলনা লৌউ-শিংউবা য়াদবা, লৈবাক অসিদা বোম থাদখিবা অসি চহী ১৫গী মনুংদা লৈবাক অসিনা ১৮শুবা ওলিম্পিক গেমস কুমজা ১৯৬৪দা টোকিও সহরদা পাঙথোকখিবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা লৈবাক অসিগী শূবা-নোম্বা কনবা, মতম মাঙহন্দবা, মহৈ-মশীনগী লম্দা খোঙকাপ লাউনা থাংজিনবা, লৌউ-শিংউবা, মেছিনগী মতেংনা পোৎ চৈ কয়ামুক পুথোক্তুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা য়োন্দুনা লল্লোন ইতিক চাওখৎনবা হোৎনখিবশিং অদুনা লৈবাক অসিনা এসিয়াগী মনুংদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা ঙম্বা অহানবা লৈবাক ওইখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিনা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অনীরক পাঙথোকখ্রে অমদি চৎলিবা চহী অসিদা সহর অসিদা সম্মর ওলিম্পিক গেমস লোইশিনবগী মতুংদা ওগষ্ট ২৫দা ১৬শুবা পেরালিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখি।



লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা হোকাইদো ঈথক্তা লৈবা সেপ্পোরো সহরদা কুমজা ১৯৭২দা অমদি কুমজা ১৯৯৮দা নাগানো সহরদা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখ। লৈবাক অসিনা হৌজিক ফাওবদা সম্মর ওলিম্পিক গেমস অনীরক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈবাক ওইগদৌরি। সম্মর গেমস অনীরক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈবাকশিংদি লন্দন (য়ুনাইটেদ কিংদম), এথেন্স (গ্রিস), পেরিশ (ফ্রান্স), লোস এঞ্জেলস (য়ু এস এ) অমসুং টোকিও (জপান) নি।

লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফবা, শান্ন-খোৎনবদা মাঙজিল থানবা হোৎনবা, লমদম অদুগী তমজনফম ওইবা কলচর অমদি চৎনবী অৱাংবা থাক্তা লৈবগা লোয়ননা মহৈ-মশীনগী লম্দা খুমাঙ চাওশিনবনা মরম ওইদুনা সম্মর ওলিম্পিক অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্লবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা অয়াবা পীখিবনি।

সহর অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মর ওলিম্পিক অসিদা মশান্না হায়বদি দিসিপ্লিন ৩৩দা অথোই অহেন তান্নহনগনি। মসিগী মনুংদা নুপাগী বেজবোল, নুপীগী সোফ্ট বোল, করাটে, স্পোর্টস ক্লাইম্বিং, সরফিং অমসুং স্কেট বোর্দিং হায়রিবা থৌরমশিং অসি অহানবা ওইনা হাপচিল্লগনি।

জপানগী রিয়ুকিয়ু হায়না খঙনরম্বা ঈথৎ হৌজিক্লা ওকিনোৱা হায়না খঙনরিবা ঈথৎ অদুদগী হৌরকখিবা মশান্না করাটেবু ওলিম্পিক অসিদা অনৌবা মশান্না অমা ওইনা (অনৌবা দিসিপ্লিন) হাপচিল্লকপা অসিদা মশান্না অসিবু থোইদোক হেন্দোক্লা হৈশিংবা লৈবাকশিংনা য়াম্না হরাওবা পোক্লরি। হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংনা অনৌ অনৌবা মশান্না ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইনা হাপচিল্লকপা অসিদা মখোয়দা মশান্না অসিবু হেন্না পামহনবা পোকই। মরম অসিনা সর্ফিং, স্কেট বোর্দিং অমসুং স্পোর্টস ক্লাইম্বিং হায়রিবা মশান্নশিং অসি অঙাংশিংনা য়াম্না পাম্মী। মশান্নশিং অসি সহর অমা চাওথোরকপা অমদি সহর অমা শেমগৎলকপদা অঙাংশিংদা মথৌ তাবা শান্নফম ওইবা মফম অমা ওইবা মরম্না সহরশিং প্লান তৌবা মতমদা মফম চাবা য়েংলগা টাউন প্লান্নরশিংনা শান্নফম অসিগী মফম কং দুনা থম্নরি। কুমজা ২০১৩দা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোকখিবদা টোকিওবু কুমজা ২০২০গী গেমস পাঙথোক্লবা অয়াবা পীখি। লৈবাক অসিনা ৱিন্টর ওলিম্পিক ১৯৭২দা সাপ্পোরো অমসুং কুমজা ১৯৯৮দা নাগানোদা পাঙথোকখ্রে।

টোকিও অসি পেরালিম্পিক অনীরক হন্না পাঙথোকপা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা সহর ওইরি। কুমজা ১৯৬৪দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কীদমক শাখিবা শান্নফম হোল খরদি হন্দক্কী গেমস অসিদসু শীজিন্নগনি। মসিগী মনুংদা নিপ্পোন বোদোকান য়াওরি। মসি কুমজা ১৯৬৪দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কীদমক শাখিবা শান্নফম শঙ অমনি। মসি নিপ্পোন বোদোকান চাওখৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা শান্নফম হোলনি।

লৈবাক অসিদগী হৌরকপা জুদো অমসুং করাটেগী অথোই অহেন তান্নবগী ওলিম্পিক্কী থৌরম হোল অসিদা পাঙথোক্কনি। আইকিদো, জুদো, কেরেট, কেনদো অমসুং জপানিজ আর্চরিনচিংবা হোল অসিদা প্রেক্টিশ তৌই। অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমসু পাঙথোকই।

ওলিম্পিক অসিগী থৌরম অয়াম্বা হেরিটেজ জোন অমসুং টোকিও বে জোনদা পাঙথোক্কদৌরি। লৈবাক অসিনা কুমজা ১৯৬৪গী ওলিম্পিক্তা শীজিন্নখিবা শান্নফম অয়াম্বা হেরিটেজ জোনদা লৈ। জোন অসিদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা অহৌবা অমদি অরোইবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কদৌরি। ●

# সিটিজনসিপ্তা গোরিলা লাল্লোং

- খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর -

ইন্দিয়ন সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫ এমেন্দ তৌদুনা ইন্দিয়ন সিটিজন ওইবগী কাঙলোন অমসুং চৎন-পথাপ্তা খরা শেমদোক্তুনা অখন্নবা মীরৈবাক খরগী অখন্নবা লাইনীং খরা চৎপা, আইন কায়না ইন্দিয়াদা চঙলকখ্রবা মীরৈবাক মচাশিংবু ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী লাইথোকহল্লবা পান্বে থিননবা কুমজা ২০১৫দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সিটিজনশিপ এক্ট এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ পুথোরকপদগী হৌনা ইন্দিয়াগী ৱাখল নিংথিনা খনবা ঙল্লবা, ইন্দিয়াগী অপূনবগী শক্তম নুংশি চান্নবা অমদি ধর্ম্মদা মিচং মীখায় নাইদবা মচৎপু মতম পূম্বদা ঙাক্তুনা থমনীংবা অমদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু ৱাংনা ইকায়খুম্নজবা লন্নাই মীওইশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, মহৈরোয়গী, সাহিত্যগী, নুপীগী অমদি অতোপ অতোপ্পা লূপ কয়া কয়া অমসুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা বিল অদুবু য়ানীংদবগী ঈহৌ হৌরক্লবসু ইন্দিয়াদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অসিনা লোক সভাদা মেজোরিটি ওইবগী খুদোংচাবা অদু লৌদুনা বিল অদুবু পাস তৌখিবদগী ইন্দিয়া পূম্বদা হান্না লৈরম্বা ঈহৌশিং মরুওইনা মণিপুরনা মাঙজিল থাদুনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পূম্বদা অঙকপা ফংনা অকনবা ঈহৌশিং সী এ বিগী মায়োক্তা হৌরকপদগী মণিপুর অমসুং অসামদদি মীয়াম অমত্তা ওইনা তূম্বা-চাবা চংদনা শিন্থা লেপ্পগা সী এ বিবু য়ানীংদবা খোঙজং চংশিল্লকপদগী নুমিৎ কয়ানি তংদু লৈতাদবা ফীভমদা লৈখিবা ঙসিসু মীয়াম্না কাউদরি। থাজদবা মওংদা ওইরকখিবা ঈহৌশিং অদুনা অচৌবা মরম অমা ওইরগা হায়রিবা বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোরকপা ঙমদনা লাপস ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী মরুওইনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়াম শ্বর খরা চনীং-চমাং তানা হোন্দোকপা হৌরকপদা, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমসুং পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়ানা মখৌ পোংনা লাউবা হৌরকখি মদুদি থা খরগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়াগী লোক সভাগী মীখলদা করিগুম্বা পার্টি অসিনা অমুক ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রক্লবদি মমাঙদা পাস তৌবা ঙমহৌদ্রবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি অমুক হন্না পুথোক্কনি অমসুং শুংশোয় শোয়দনা পাস তৌগনি।

মতাং অসিদা নুংঙাইরিবদি বিল অসিনা করিগুম্বা এক্ট ওন্দুনা চৎনরক্লবদি ইন্দিয়াগী অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা, ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নাইদবা, কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দবা, দেমোক্রেসিগী চাউথোকচবা লৈবাক অসিগী সংবিধানবু ইকায়খুম্নবদা অমদি লৈবাক অসিগী তংদু লৈতাবদা চাউনা শিঙনরকপগা লোয়ননা মীশিং য়ামজদবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদদি মীতোপ্পা লাকহৎখিবা য়াবগী অচৌবা মীপাইবা অদুনা মাঙওইনরগা নুমিৎ কয়ানি তূম্বা-চাবা চঙদনা বিল অসিগী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ হৌখিবা মীওই কয়া কয়া লোক সভাগী মীখলদদি বিল অসিবু অমুক হন্না পুথোক্তুনা শুংশোয় শোয়দনা এক্ট ওনহন্দুনা চৎনহনগনি হায়দুনা ৱাশক্লিবা বি জে পি অমসুং মসিগী খোঙলোয় এন দি এদা ভোট পীদুনা চাউনা মায় পাকহনখিবনা মরম ওইরগা ঙসিদি সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পুথোক্তুনা পাস তৌখ্রে অমসুং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদুনা এক্ট ওনখ্রে।

এমেন্দ তৌবগী নুংগী ওইবা পান্দম :- বি জে পিগী গ্রান্দ পেরেন্ট অমসুং পেরেন্ট ওর্গনাইজেসন ওইরিবা হিন্দু মহাশভা, রাষ্ট্রিয় সয়ম সেবক সংঘ (আর এস এস) অমসুং ভারতিয়া জন সংঘনা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম বৃটিশনা লৈঙাক্লিঙৈ হৌজিক্কী অনৌবা অপূনবা ইন্দিয়া অসি লৈত্রিঙৈদগী হৌনা মালেম পূম্বগী মমাঙদা মতিক মঙাল চাউবা, চাউথোকচনীংঙাই ওইবা হিন্দু কলচর অমসুং মানু সমিটিদা য়ূম্ফম ওইবা হিন্দুশিংতগী ওইবা অপূনবা লৈবাক হিন্দুস্থান অমগী মঙলান মঙফাওনহন্নবগীদমক হোৎনদুনা লাকখি। মতম অদুগী ইন্দিয়াগী মীয়াম্না বৃটিশকী মখূৎতগী ইন্দিয়া নীংতম্নবগীদমক থৱায় কয়া কয়া থাখিবা মমল য়াল্লবা ইন্দিয়াবু নুংশিজবা লুচিংবা কয়ানা পুন্সি কৎখিবা, মশীং থিঙমদ্রবা মীচম মীয়াম কয়ানা হায়নীংঙাই লৈত্রবা অৱাবা কয়া খাঙদুনা ইন্দিয়াবু নীংতম্নবা ঙমজবী থাদুনা হোৎনখিবা মতম অদুদা বৃটিশকী লৈঙাক্লা য়াশিন্নদুনা হিন্দু ধর্ম্ম চাওখৎহনবনা অমত্তা ওইবা পান্বেনি খন্দুনা নীংতম ঈহৌদা খোয়জংদবমখৈ হিন্দুশিংতগী ওইবা থিওরিটিক লৈবাক হিন্দুস্থান অমগী চথরক্লিবা খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইননি য়াৎলিবা লিক্লম পূম্বা অসি, নীংতল্লবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্দা সেক্যুলরিজমগী ৱাফম য়াওরকপদা নিংদোন পোমখিবা রাষ্ট্রিয় সয়ম সেবক সংঘ (আর এস এস) অমসুং মসিগী অনৌবা পোলিটিকেল ৱিং ভারতিয়া জন সংঘনা মতম অদুদগী হৌদুনা হিন্দু নেসনল (হিন্দুস্থান) অমা শেল্লক্লবগী হেন্না কনবা অমসুং অশাংবা পোরম (লোং টর্ম প্লান) শেমখি। মখোয়গী হনবা লৈতবা, হোৎনবা কনবা অমসুং মখোয়তগী ওইবা ৱাখলদা চপ য়ুংবা অদুনা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী হিন্দুদা হকচিনবা মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা মফমশিংদা মখোয়গী খোঙদাফম শেমগৎপগী খুদোংচাবা ফংখিবদগী কুমজা ১৯৭৭ অদুৱাইদা ভারতিয়া জন সংঘ অমসুং অতোপ্পা পার্টি অহুমগা পূল্লগা জনতা পার্টিগী লৈঙাক অমা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক পায়বা ঙমখি। অদুগুম্বা লৈঙাক অদু চহী অনীরোমতমক চৎপা ঙমখ্রবগী মতুংদা কুমজা ১৯৮০দা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) পোক্তুনা মপূং ফাবা ইনৌ নৌবা আর এস এসনা মপূং ফানা মৈ ইক্লবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা মখৌ তৌরক্তুনা কুমজা ১৯৯১দা ইহান হানবা ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈবা ঙমখ্রবগী মতুংদা কুমজা ১৯৯২দা বাব্রি মসজিট থুগাইদুনা হিন্দু ফেনাটিজমগী চপ চাবা মশক অদু ফোঙনা উৎথোরকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯৯৯দা বি জে পিনা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া পূনশিন্দুনা নেসনল দেম্মোক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ) লৈরকখ্রবা মতুংদগীদি অকিবা অমদি চিংনবা লৈতনা মখোয়গী মতম শাংনগী মঙ হিন্দু রাষ্ট্রিয় নৎত্রগা হিন্দুত্বগী পোরম হেন্না কনশিনবা মওংদা য়াৎলকপগী মনুংদনি এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এগী ৱাফম ওইরক্লিবসি।

পান্দম য়ৌননবা লম্বী শেল্লকপা :- ইন্দিয়ন সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫ অসি হেক চৎনরকপদগী মতুং মতম মতমগী মতুংইন্না মমাঙদা কয়ারক হন্না শেমদোক শাদোকখ্রে (এমেন্দ) হন্দক এমেন্দ তৌরিবা অসিনা অহানবা নত্তে। অদুবু মমাঙদা এমেন্দ তৌখিবশিং অমসুং হন্দক এমেন্দ তৌরিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা খেন্নবা লৈ। হন্দক এমেন্দ তৌরিবা অসিগী মৱূ হুনবনি হন্দক এমেন্দ তৌরিবা অসিগী হেক মমাঙ কুমজা ২০০৩দা শ্রী অটল বিহারি বাজপায়ীনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনষ্টর ওইবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অদুগী মতমদগী হৌখ্রবনি। মতম অদুদা সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫ অসিবু এমেন্দ তৌদুনা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৪দা সেক্সন ১৪ (এ) হায়বা ক্লোজ অমা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াদা নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর) তৌননবগী ৱাফম ওরিজিনেল এক্টতা হান্না য়াওরমদবা অদু য়াওহনখি। মতম অদুদগী হন্দক্কী এমেন্দমেন্ট অসিদগী ওইহন্নীংবা পান্দম অদু ফংননবা লাল্লোং শিনবা হৌখি। অনীশুবা গোরিলা লালোংগী খোঙথাংদা ইন্দিয়ন পাসপোর্ট এক্ট ১৯২০ অমসুং ফোরেন্নরস এক্ট ১৯৪৬কী রুলশিং শেমদোক শাদোক্তুনা শেম শাখ্রে। অহমশুবা গোরিলা লাল্লোংগী লাম্থোং শিনবা ওইনা অসামদা লুপা কোটি লিশীং লিশীং থাদদুনা ওফিসল লিশীং ৫২ রোম শীজিন্নরগা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন (এন আর সী) পুথোক্তুনা ফিল্ড টেষ্ট তৌখ্রে। অরোইবা ওইনা ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা হন্দক সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ মায় পাক্লা পাঙথোক্তুনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা গোরিলা লাল্লোংগী শেম শাবা অদু লোইখ্রে, হৌজিক ইন্দিয়াগী মীওই কোটি ১৩০দা অচৌবা লান্দা অমা লাক্লগনি।

ওইরক্কদবা লানফমগী শক্তম :- য়াম্না হৈশিংনা চেকশিন্না অমদি মতম চঙনা শেমগৎলকখিবা গোরিলা লালুপ অহুম এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এ হৌজিক লানপুংদা চঙদুনা লান্দাবা হৌরক্লগনি।

নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর) অসিমক্তি য়াম্না নিংথিনা অমদি চেকশিন্না শেম শারবা অচৌবা লূ অমগুম্বনি। নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর অসি য়েংবদা নেসনল পোপ্যুলেসন সেন্সসকা হায়রপ মান্ননা উরবসু অনী অসি চাউনা খেন্নৈ। চহী ১০ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা নেসনল পোপ্যুলেসন সেন্সসতদি ষ্টেট অমগী লৈরিবা মীওইশিং অদু য়ূমথোঙ য়ূমথোঙগী মশীং থিরগা ষ্টেট অদুগী অপূনবা মীশিং, অপূনবা মীশিংশিংগী মনুংদা অপূনবা নুপা কয়া, নুপী কয়া, কাঙলূপ কাঙলূপকী, তোঙান তোঙানবা লাইনীংশিংগী, চহীগী কাঙলূপ, লাইরিক হৈবা অমদি তল্লিবশিংগী মশীং অসিনচিংবা মচা খায়বা দাতা লৌরগা লৈবাক্কী পোলিসি প্লান্নিং শেম্বদা শীজিন্নবনি। নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর) দদি লৈবাক (ইন্দিয়া) শিনবা থুংনা এরিয়া মচা কয়া থোক্লা খায়দোক্লগা হায়রিবা এরিয়াশিং অদুদা থা তরুক (৬) তগী তাদনা লৈরক্লবা নৎত্রগা লাক্কদৌরিবা থা ৬ (তরুক) মফম অদুদা লেঙদনা লৈগদবা মীওইশিংগী অকূপ্পা লিষ্ট অমা শেম্বখক্তনি। এন পি আরগী মথৌদি এন আর সী হায়রিবা লুজ াউ অসিদা ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংমক হাপচিন্দুনা থম্লগা এন পি আর পাঙথোকপদা হেন্না খুদোংচাহন্নবনি।

নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন (এন আর সী) কৌবা গোরিলা লানলূপ অসিগী মথৌদি এন পি আরদা লিষ্ট তৌদুনা লৈরবা মীওইশিং অদু ভেরিফাই তৌবনি। এন আর সী তৌরকপা মতমদা এন পি আরগী লিষ্টতা য়াওরবা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা মীওইনি হায়বা উৎপা তাই, মদুদা এন আর সী ওফিসলশিং অদুনা পেনবীরবদি মহাক ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়বদা য়ারে। এন আর সীদা লেমহৌবা মীওইশিং অদুগী লাইবক সী এ এনা লেপকনি।

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) কৌবা গোরিলা লানলূপ অসিগী মথৌদি য়াম্নদি শন্মী অদুবু লানফমগী অরোইবা এটেকনি, য়াম্না অকিবগী মশকনি। বাংলাদেশ, পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টান হায়রিবা মীরৈবাক অহুম অসিদগী ইন্দিয়াদা কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা আইন কায়না চংলক্তুনা লৈরকখ্রবা, হিন্দু, সিখ, বুধিশ, জ্যেন, পর্সি অমসুং খৃষ্টান হায়রিবা লাইনীংশিং অসিবু চৎপা মীওইশিং অদু শেমদোক্লবা ইন্দিয়ন পাসপোর্ট এক্ট ১৯২০ অমসুং ফোরেন্নরস এক্ট ১৯৪৬না ঙাক্লৌ পীরদুনা সী এ এ ২০১৯না ধর্ম্ম ৬ (তরুক) কী আইন কায়না ইন্দিয়াদা চঙলকখিবা মীওইশিং অদু খুদক্তা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবগী অয়াবা পীরগনি।

শম্না অমদি লাইথোকপা লোন্দাদা হায়বদি এন পি আর হায়বা অসি অচৌবা লূ অমগুম্বনি। অহানবদা ইন্দিয়াগী মীপূম খুদিংমক এন আর পিগী লূদা হাপচিনগনি। এন পি আরগী লূদা য়াওরবা ইন্দিয়াগী মীয়াম খায় খায়দুনা এন আর সীগী লোংদা নিক্কনি । মদুদা ওইনীংবা ধর্ম্মগী অমদি কাঙলূপকী মী ওইসনু মখোয়গী পারি-পুরিগী পোকপা অমসুং পোকফমগী এন আর সী ওফিসলশিংনা পেনবা মওংদা চেচাংশিং পুথোকপা ঙম্বশিং অদু এন আর সীগী লোংদগী লিৎথখিদুনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরে। এন আর সীগী লোংনা নিকপদা লিৎথবা ঙমহৌদ্রবা মীওইশিং অদু সী এ এগী লোংদা অমুক হৈজিনগনি। লোং অদুনা নিকপদা বাংলাদেশ, পাকিষ্টান অমসুং আফঘানিষ্টান লৈবাক অহুমসিদগী দিসেম্বর ৩১, ২০১৮ ফাওবদা চঙলকখিবা লাইনীং তরুক্কী মীওইশিং সী এ এগী লোং অদুদগী লিৎথখিদুনা ইরায় লায়না ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইখ্রগনি।

এন আর সীদা মশাগী পারি পুরিগী শক্তাকচে পুথোকপা ঙমদবা নৎত্রগা হিন্দু, জ্যেন, সিখ, বুধিশ, পর্সি অমসুং খৃষ্টান নত্তবা অতোপ্পা লাইনীংশিং চৎচবা মীওইশিং সী এ এগী লোং মনুংদা পন্দুনা লৈহৌগনি, মখোয়শিং অদু দেজিগনেসন কেম্পশিংদা হৈজিন্দুনা থমগনি। মখোয়গী মরাইবক করি ওইরক্কনি হায়বা ঙমসি ফাওবদি কনানসু হায়বা ঙমখিরোই। মশীং য়াল্লবা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এবু য়ানীংদবগী মরমশিং :-

ইন্দিয়ানা নীংতল্লবা মতুং কুমজা ১৯৫১দগী হৌদুনা চহী ১০/১০ খুদিংগী লেপ্তুনা ইন্দিয়া পূম্বগী মীকোক থিদুনা লাক্লি। মীকোক থিবা অসিদগী মথৌ তাবা দাটা পূম্নমক মচা খায়না ফংলি। মসিগী মথক্তা এন পি আরগী থোইদোক হেন্দোকপা মথৌ করি লৈরিবগে? নীংতম্বা ইন্দিয়াগী চহী ৭২গী পুৱারীদা এন পি আর অমুক্তসু তৌখিবা লৈখিদ্রিবা অসি মসিগী মরুওইবা অদু লৈতবদগীনি। হন্দক্তা খঙহৌদনা এন পি আরগী মথৌ তারক্লিবগী মরম ইন্দিয়াগী মীয়ামদা মচা খায়নসু খঙহন্দে অমদি তৌগদৌরিবা এন পি আর অসিগী গাইদলাইনসু ময়েক শেংদে।

অমুক্কসু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী দামুদোর নরেন্দ্র মোদিনা য়াম্না কন্না হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউরি মদুদি মহাক্কী লৈঙাক্লা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা এন পি সী তৌবগী ৱাফম কৈদৌঙৈদসু খন্নবা লৈত্রি, অদুগা নাকল অমরোমদনা মহাক্কী হোম মিনিষ্টর বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনদি য়াম্না মখৌ পোংনা মীয়াম তিনবা মীফমশিং টেলিভিজন ইন্টরভিয়ুশিংদতা নত্তনা পার্লিয়ামেন্টতা ফালবা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা এন আর সী পাঙথোক্কনি হায়না লাউরি। এন আর সী পাঙথোকখ্রবা অসামদা এন আর সীনা খৎতোক্লক্লিবা মীওই লাক্ষ ১৯ রোম অসি পূম্নমক তশেং তশেংনা ইন্দিয়াগী সিটিজন নত্তে হায়বসি কদাই য়ৌনা হায়বা ঙল্লবগে? মপা-মপু হাক্তক্তগী ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইনা লৈরক্লবশিং অদু খাঙুথক্তা চে-চাং খরা পুথোকপা ঙমদবগী সিটিজনশিপ মাঙলবদি মখোয় কদায়দা চৎকনি। মসি ষ্টেটনা চখ্থবা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন নত্তবরা?

ইন্দিয়া অসি ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নাইদবা, মীপূম খুদিংমক্কী মান্নবা রাইট লৈবা সেক্যুলর দেমোক্রেটিক ওইবা লৈবাক্লি। লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন, সিটিজনশিপ এক্ট অমসুং অতোপ্পা আইন অমত্তনা, ধর্ম্ম, ফুরুপ, কুচু অমদি লোলদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিপ লেপ্পনবগী ৱা লৈতে অমসুং য়াদে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা লৈবাক অসি লৈঙাক্কদবনিনা কনানসু সংবিধানগী মায়োক্তা থবক তৌবগী শক্তি লৈতে। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সী এ এ খূৎথোক্তুনা লৈবাক অসিগী সংবিধানগী মায়োক্তা থবক তৌরে। সংবিধানগী আর্টিকল ১৪দা পীরিবা "equality before law or equal protection of laws within the territory of India" খক্তা নত্তনা আর্টিকল ১৫, ২১ অমসুং ২৫নচিংবশিংগী ৱাহন্থোক মাঙহল্লে। লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনেল মোরেলিটিবু মশক থিহল্লে। অমরোমদা অমুক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী বিল অসিবু পুথোকপগী মরমদা পার্লিয়ামেন্টতা পীখিবা মীৎয়েংগী মতুংইন্না য়ূমথংনবা লৈবাক অহুম অসিগী religious prosicuted persons শিংবু চংজফম পীদুনা ইন্দিয়নগী সিটিজনশিপ পীননবনি। ইন্দিয়াগা থংনবা বুধিস ধর্ম্ম চৎপা লৈবাকশিং ভুটান, বর্ম্ম অমসুং শ্রী লঙ্কাদা লৈবা মাইনোরিটি মুসলিমশিংসু religious prosicution মায়োক্লে, মখোয়বুদি য়াওহনদ্রিবা করিগীনো? বাংলাদেশতা লৈবা হিন্দু মাইনোরিটিদগী হেন্না মাইনোরিটি ওইনা মশীং থিবা য়াবা ফীভমদা সনামহী লাইনীং চৎপা মৈতৈশিং লৈরি, মখোয়দি religious prosicution ফংদবরা, মখোয়বুদি খন্নদ্রিবা করিগীনো? অমুক্কসু করিগীদমক্তা অখন্ননা religious prosicution খক্তবু মীনুংশি ফাওরিবনো অতৈ Political social prosicuted people শিংগী ৱাফম করিগী য়াওদবনো? পাকিষ্টান অসি সুনি মুসলিমশিংনা শাথিনা মশীং য়াম্বা অদুগা সিয়া মুসলিমশিংনা মাইনোরিটি ওইবা লৈবাকনি, পাকিষ্টানি সিয়াশিংবুদি করিগী পন্দ্রিবনো?

এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এগী পান্দমদি ইন্দিয়াগী হিন্দু নত্তবশিং তাম্থোকখ্রবা, লৈবাক অহুমদগী হিন্দুশিং পুনশিল্লক্তুনা ইন্দিয়াবু হিন্দুশিংতগী ওইবা লৈবাক অমা শেম্মনবা য়ূম্ফম থোনবনি হায়না মীয়াম্না খল্লি। হিন্দুখক্তনা অতম্নমা লৌশিল্লবদি ইফোঙ ফোঙবা অদু লোৎননবা খৃষ্টান অমসুং হিন্দুগা ইমান মান্নবা লাইনীং খরা মতম খরখক্কী নপশিনবনি হায়না মীয়াম্না চিংনৈ।

মীয়াম্না এন পি আর, এন আর সী, সী এ এবু য়ানীংদবগী অতোপ্পা মরম অমদি, করিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থবক ওইনা পাঙথোরক্লবদি, লাইনীং মখল য়াম্না লৈবা ফুরুপ কাঙলূপ চাম্মা চাম্মা পূন্না লৈমিন্নরিবা ইন্দিয়াগী মীয়াম মরক্তা কাঙলূপ নাইরকপা, লাইনীং মশেল য়েংথিনরকপা অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরিবা অসি মাঙখিদুনা ইন্দিয়া অসি কাং-খোঙ চাইবতা নত্তনা কায়খিবা ফাওবা য়াবগী অকিবা অদুদগী ইন্দিয়াগী ৱাখল নিংথিনা খনবা ঙম্বা মীওই খুদিংমক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথোঙ হুক্তবা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা লৈরি।

ইন্দিয়াগী ঈহৌ অমসুং মণিপুর :- লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা সী এ বি পাস তৌখিবা অমসুং এন পি আর, এন আর সীগী ৱাফম লাকপদগী ইন্দিয়াগী মরুওইবা কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা তল্লিবা লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈরবা অচুম-অরান ৱাখল খন্থবা ঙল্লবা মহৈরোয় লাক্ষ কয়া কয়া, ইন্দিয়া পূম্বগী মীওই কোটি কয়াখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী ৱাংমা অমেরিকা, য়ুরোপ, ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়া মচাশিং অমদি মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি য়ু এন ওনা ফাওবা এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকপদগী ঙসিদি ইন্দিয়া পূম্বা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এ মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংদা চৎনরোই হায়রকপদা নত্তনা কেরলাগী ওইনদি এসেমব্লিদা ওফিসল ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা হান্না সী এ বিগী মায়োক্তা খ্বাইদগী কনবা ঈহৌ হৌখিবা মণিপুরদদি আই এল পিগী ময়াজালনা য়াই থাখিবগুম ককঙাওননা লৈরি। ওইরম্বা য়াই মণিপুরগী লৈঙাকলোইশিংদগী হৌদুনা অয়াম্বা মীয়াম্না হৌজিক ফাওবা এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এগী লৈনবা মরীগী মতাংদদি অমুক্লা হেন্না খল্লুদ্রিবনা। অমুক্কসু সী এ এগী মতাংদা মণিপুরগী অয়াম্বা মীয়ামগী মীৎয়েং অমসুং হকচিনবা ৱাখল মণিপুরখক্তগী মনুংদা লৈবগুম তৌরি। কয়াম য়াম্না ৱাখল অমসুং মীৎয়েং পাক্তবগে হায়ববু ইন্দিয়া পূম্বগী ৱাখল অমসুং মীৎয়েংদি লায়রদনা ঐখোয়গা নকশিন্ননা পূন্না লৈমিন্নরিবা ঐখোয়গা মান্ননা ঐখোয় ঐখোয়গী অপিক অপিকপা য়েলহৌমীশিং মাঙখ্রগনি মীপাইনরিবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা পিকখ্রবা অৱাং নোংপোক্কী থাক্তা ফাওবা ৱাখল অমসুং মীৎয়েং থম্বা ঙমদবা মওংদা লৈরি। মণিপুরদি আই এল পি ফংলবনিনা ঐখোয় শোক্লরোই, ঐখোয়বু শোক্ত্রবদি অতৈগীদি খঙদে হায়বা মানবা মওংদা মণিপুরগী লৈঙাক্কী মকোক চীফ মিনিষ্টরদগী হৌনা লুচিংবা কয়ানা মীয়াম মমাঙদা ঙাঙবা অদুগা মণিপুরগী অয়াম্বা মীয়াম্নসু মসিগুম্বা মান্নবা মওংগী ৱাখল লৈবগী মতৌ উবা অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়নীংঙাইনি। ঐখোয়গী ৱাখল পিকপা, ইশাগীতা খনবা, মীৎয়েং শান্দবা অমদি এন পি আর, এন আর সী, সী এ এ অমদি আই এল পিগী মরমদা মমুৎ তানা নৈনদবা মানবগী মতৌ অসিদি লাইবক থীবনি।

আই এল পিনা কদাই ফাওবা ঐখোয়গীদমক সী এ এগী মায়োক্তা লান্থেংনবা ঙমগদৌরিবগে? বেঙ্গাল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট ১৮৭৩গী মখাদা চৎনরিবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম (আই এল পি এস) অসিনা কদাই ফাওবা মণিপুরগী লেহৌমীশিংবু এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এগী অপূনবা লান্দাদগী ঙাকথোকপা ঙমগদগে হায়বা কূপ্পা নৈনবা মথৌ তাই। আই এল পিনা মণিপুরদা এন পি আর অমসুং এন আর সী তৌরকপদা থিংবা ঙমলোই। আই এল পি চৎনরম্বা মণিপুরদা সী এ এ চৎনররোই হায়রবসু সী এ এগী খুথাংদা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওনখ্রবশিং য়াওনা অতোপ্পা মীওইশিং মণিপুরদা চঙলকপা থিংননবা আই এল পিগী প্রোভিজন অমত্তা লৈতে। আই এল পি চৎনরবা মণিপুরদা মপানগী মীওইশিং চঙলকপদা তৌগদবা থবক্তি মীওইশিং অদুগী চংলকপা অমসুং লৈগদবা মতম খঙদোকপা অদুগা লুপা খরা টেক্স লৌবা, টেক্স পীর-পীরগা লৈনীংবা মতম লৈবা, তৌনীংবা করবার তৌবা মসিদা কনানসু থিংবা লৈতে। মরমদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯না ইন্দিয়াগী সিটিজন পূম্বা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা চৎপা, লৈবা অমদি আইননা য়াবা থবক খুদিংমক তৌবদা কনানসু থিংবা ঙমদে। মরমশিং অসিননি হান্নদা আই এল পি চৎনহন্দুনা লৈরবা ষ্টেটশিং অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং ঐখোয়গা য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দনা এন পি আর, এন আর সী অমসুং সী এ এবু য়ানীংদবা অমসুং মসিগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরিবসি। ইশানা ইশাবু অশিংবনি হায়জরিবা ঐখোয় মণিপুরীশিংদি অঙাংদা লোলিপোপ পীজরগা থেম্বগুম থেম্বদা অদুমক পেল্লবরা? মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপ্পা ইরমদমসিগী য়েলহৌমী ঐখোয়বু লাকহৎখ্রগনি মীপাইরিবা ঐখোয়গী ইথক্তা হন্দক্কী এন পি আর অমসুং এন আর সী অসিনা পারি পুরিগী, পোকপগী শোক-তারিখ অমসুং পোকফমগী চে চাং পুথোকপা ঙমদবা ঐখোয় ময়াম অমা ইরমদমদা মীতোপ তাহল্লগনি। এন আর সীনা পীবা মীতোপ তাহল্লবা ইরমদমগী য়েলহৌমীশিংদা হিন্দু, জ্যেন, বুধিশ, সিখ, পর্সি অমসুং খৃষ্টান লাইনীং চৎপশিংদি, সী এ এ চৎনবা ইন্দিয়াগী মফমশিংগী সিটিজন ওইবা য়ারবা য়াই, অদুবু সনামহী লাইনীং চৎপা মৈতৈশিং, খৃষ্টান চৎতবা কবুইনচিংবশিংগী লাইবক্তি খঙদে। য়েলহৌমী ঐখোয়না মীতোপ তাদুনা দিটেন্সন কেম্পশিংদা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা সী এ এগী খূথাংদা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরবা মীতোপশিংনা আই এল পি পর্মিট পায়রগা ইরমদমসিদা হাইনা হুম্না লৈরক্লগনি। আই এল পি পীরকপগী অমসুং সী এ এ মায় পাক্লা চৎনবগী হরাওবা ফোঙদোক্তুনা রেল্লি চৎলিবা ইরৈচাশিংসু দশা অসিদগী নাম্থোকপা য়াগনি থাজদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।